# ২শুবা এমসিএ লুৱাংপোকপা টি –২০ ত্রোফি ২০১৮

## সাইক্লোন থাংমৈবন্দ অমসুং পিসিসি ময়াইকোইবী মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

লুৱাংশঙবমগী লুৱাং পোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসননা শীন্দুনা চথরক্লিবা অনীশুবা এমসিএ টি–২০ লুৱাং পোকপা ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা সিদিসি শগোলবন্দবু ৱিকেট ৭তা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা সিদিসিনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌখিবদা অপীবা ওভর ১৫ দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৬৫ লৌবা ঙমখি।

সাইক্লোনগী বোল্লর অকসেকুমার ৱিকেট ৫ অদুগা কিষননা ৱিকেট ৩ অমসুং বিসালনা ৱিকেট ১ লৌবা ঙমখি।

অহানবা ইন্নিংসকী পাউখুমদা সাইক্লোনগী বেটচমেনশিংনা ওভর ১৩.৩ দা ৱিকেট ৩ তুরগা অপীবা তারগেট য়ৌবা ঙমখি।

অনীশুবা বেট্টিং তৌখিবা সাইক্লোনগী বেটচমেন গোপালনা আউত ওইদনা বোল ২৬তা রন ২২ লৌবা ঙমখি। অদুগা অকসেকুমারনা বোল ৯দা রন ১৩ লৌখিবগা লোয়ননা মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচকী মনাসু ফঙবা ঙমখি।

অতোপ্পা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা পিসিসি ময়াইকোইবীনা কেআইৱাইসি খেক্কিগাওবু রন ১৮দা মায়থিবা পীখ্রে।

মেটচ অসিদা পিসিসিনা তোচ ঙমদুনা অহানবা বেট্টিং তৌবদা অপীবা ওভর ১০দা ৱিকেট লোইনা তুদুনা রন ৭৩ লৌবা ঙমখি।

বেট্টিং অদুদা গিপসননা বোল ১৪দা রন ১৩ অদুগা রঞ্জন অমসুং রাকেসনা রন ১১।১১ লৌবা ঙমখি।

কেআইৱাইসিগী বোল্লর মানিস অমসুং অবদুলানা ৱিকেট ২।২ অদুগা কুরবান, নিসিকান্ত অমসুং অবদুল হামিটনা ৱিকেট অমমম লৌখি।

অহানবা ইন্নিংসকী পাউখুমদা বেট্টিং তৌখিবা কেআইৱাইসিগী বেটচমেননা অপীবা ওভর ১০ দা ৱিকেট ৮তুরগা শুপ্নগী রন ৫৫ লৌদুনা রন ১৮ দা পিসিসিগী মখুৎতা মায়থিখিবনি।

মেটচ অসিদা পিসিসিগী রঞ্জননা রন ১১ লৌখিবগা লোয়ননা ৱিকেট অমা লৌরগা মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচকী মনা ফঙবা ঙমখি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসি মেটচ অহুম শান্নগনি।

অহানবা মেটচতা অল অমিন লিলোং অমসুং ফোর্স খেক্কিগাও লম্বা তৌনরগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা রেঞ্জ নাগামাপাল অমসুং টিসিএমদিসি থোংজু শান্নগনি অমসুং অহুমশুবা মেটচতনা চেম্প খাগেম্পালি অমসুং এসএসয়ু শিংজমৈ লম্বা তৌনরগনি।

# ২শুবা ওল মণিপুর ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসন হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসন শীন্দুনা অনীশুবা ওল মণিপুর ত্রেপ সুট্টিং কম্পিটিসন ঙসি কোইরেঙ্গৈদা লৈবা সেক্টর হেদ ক্বার্টর বিএসএফকী ফাইয়রিং রেঞ্জতা হৌদোকখ্রে।

কম্পিটিসন অসিদা নুপী সুট্টর ১ সেনিয়র কাংলুপকী য়াওনা পুন্না সুট্টর ১৪ না শরুক য়ারি।

ঙসি অহৌবা নুমিৎকী শান্নখিবদা অজয় হুইদ্রোম অমসুং অরিয়ামোন এন অনীনা অহানবা রাউন্দ কাপখি।

অনীশুবা রাউন্দা রোবাট সনশম অমসুং আর কে চিংলেননা কাপখি। অহুমশুবা রাউন্দা কুঞ্জবিহারি অমসুং তরুন সিংহ অনীনা কাপখি।

ঙসি হৌদোকপগী থৌরমদা বিএসএফ মণিপুর অমসুং নাগালেন্দগী দিআইজি অনন্দ সিংহ না অথোইবা মীথুংলেন, বিএসএফ মণিপুরগী কম্মা ন্দেন্ট ঐচ সুবোল সিংহ অমদি মণিপুর পুলিসকী এমটি দিপার্টমেন্টকী এস পি এম রাজবিহারি সিংহ অনীনা অখন্নবা মীথুংলেন অমসুং মণিপুর রাইফলস এসোসিয়েসনগী ভাইস প্রসিদেন্ট এন ইন্দ্রজিৎ সিংহনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি।

চথরিবা টুর্নামেন্ট অসি জুলাই ৩দা লোইশিনগনি।

# ৩শুবা রাম নারায়ান শাস্ত্রি ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্ট ২০১৮

## জেকিনা মমাংগী চেম্পিয়ন সঞ্জয়বু অহুমশুবা রাউন্দ শান্নবদা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

মণিপুর চেছ এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা জুবেনাইল ক্লব অমসুং খুরাইজম রাম নারায়ান শাস্ত্রি মেমোরিয়েল ত্রষ্ট অনীনা খুৎশম্মনা শীন্দুনা অহুমশুবা খুরাইজম রাম নারায়ান শাস্ত্রি নিংশিং ষ্টেট লেভেল ওপন চেছ টুর্নামেন্টগী ঙসি অহুমশুবা রাউন্দগী টেবল নম্বর ১দা শান্নখিবা মেটচ অমদা ঐচ জেকিনা মমাংগী চেম্পিয়ন কেঐচ সঞ্জয়বু মায়থিবা পীখিবগা লোয়ননা শান্নরোই ৫না পোইন্ট ৩।৩ ফঙদুনা অহুমশুবা রাউন্দ ফাওবদা মাংজিল থাদুনা চৎলি।

মাংজিল থারিবা শান্নরোইশিং অদুদি ঐচ জেকি, এস প্রেমজিৎ, টি ঐচ সুনাচান্দ, টি ঐচ গোবিন লুৱাং অমসুং এ চক্রিতোম্বীনি।

অহুমশুবা রাউন্দগী তোঙান তোঙানবা টেবলদা শান্নখিবদা প্রেমজিৎনা এ ইন্দ্রজিৎ, সোনোচান্দনা এন রাজেশ্বর, গোবিন লুৱাংনা লেনিন জুনিয়র অমসুং চক্রিতোম্বীনা এ বিনিট মায়থিবা পীখিবনি।

অতোপ্পা টেবল নম্বর–টু দা শান্নখিবা মেটচ অমদা এম জি বঙ্কিম অমসুং ও নিংথেম দ্রো ওইদুনা পোইন্ট তঙ্খায়–তঙ্খায় য়েনদুনা পুন্না পোইন্ট ২.৫ ফঙদুনা চৎলি।

অতোপ্পা অহুমশুবা রাউন্দগী শান্নখিবদা মায় পাকখিবা শান্নরোইশিং অদুদি ই সাসিকান্ত, কে সেবসন, ঐচ সোমোকান্ত, বিট ইরোম, এম সঞ্জিৎ, এন চায়োহেনবা, কেএসঐচ এমসন, এ সরত, এস সঞ্জয় অমসুং ঐচ মানিতোন নি।

মখোয়শিং অসিনা অহুমশুবা রাউন্দ লোইশিল্লবা ফাওবদা পোইন্ট ২।২ ফঙবা ঙমখ্রে।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মরিশুবা রাউন্দ অয়ুক পুং ৭.৩০ দগী হৌদুনা শান্নরগনি।

# ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ কাং টুর্নামেন্ট

## থাংমৈবন্দ–এ অমসুং কৈশামথোং অহানবা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি



ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

থাংমৈবন্দগী ইবুধৌ লাইজিং নিংথৌ শঙলেন্দা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কাংখুৎনা শীন্দুনা চথরিবা ১৩শুবা লাইজিং নিংথৌ অহললোন কেন্দ্রৱাইস লীগ কম নোক আওত কাং টুর্নামেন্টকী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা থাংমৈবন্দ–এ কাংখুৎ অমসুং কৈশামথোং কাংখুৎ অনীনা জুলাই ৪দা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা থাংমৈবন্দ–এ কাংখুৎনা থোংজু কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৮–১১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা থাংমৈবন্দ–এ না কৈশামথোং কাংখুৎপু অহানবা হাল্ফতা ৯–৫ দা লিদ তৌবা ঙমখি।

অনীশুবা হাল্ফকী শান্নবদা থোংজু পাঞ্জল ৬ লৌবা ঙমখি। অদুগা থাংমৈবন্দ–এ না পাঞ্জল ৯ হাপচিনদুনা থোংজুবু মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

মায় পাকপা থাংমৈবন্দ টিম শরুক য়ারোইশিং অদুদি এসঐচ কৃষ্ণাকুমার, হিজম রঞ্জিৎ, থোংঙাম মানি, চানম্বম থোইবা, থোংবম জয়েন্তা, শমজেৎশাবম ধোরেন, পিশক খুমন, এস তোম্বী অমসুং এস দিল্লিপ নি।

থোংজুগী শান্নরোইশিং অদুদি এ কুবের, দিনামানি, ইবোহল, এ কুঞ্জো, জি ইবোচা শর্ম্মা, এল তোম্বা অমসুং এন সরত নি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ৩০ দা থাংমৈবন্দ–বি অমসুং শিংজমৈ কাংখুৎ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

# ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

## এলএসএএফসি অচানবীগেনা কেএফসি কোন্থৌজমবু ৫–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

ব্রাইটর ক্লব অৱাং পোটশঙবম খুল্লেননা শীন্দুনা ক্লব অসিগী গ্রাউন্দা চথরক্লিবা ১৩শুবা ষ্টেট লেভেল ১১ মেন্স ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–এগী লীগ মেটচ অমদা এলএসএ–এফসি অচানবীগেনা কেএফসি কোন্থৌজমবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

অচানবীগেগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু এস বিক্রমনা ২ অদুগা এস মানিমোহোন, এল সঙ্কর অমসুং ৱাই জেমসনা অমমম চনবা ঙমখি।

মানিমোহোননা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। অদুগা সঙ্করনা শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা মায় পাকপা টিমগী অনীশুবা গোল অমসুং জেমসনা শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা অচানবীগেগী মরিশুবা চনখি।

বিক্রমগী গোল ২ শান্নবগী ২৭শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনটতা চনখি।

কোন্থৌজমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা কে জোসননা শান্নবগী ৪৬শুবা মিনটতা চনবা ঙমখিবনি।

অতোপ্পা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নগনি তৌরম্বা গ্রুপ–সি গী মেটচ অমদা নিলাকুথি অমসুং কাইরং অনীগী মেটচ নোং কন্না চুবনা মরম ওইরগা ঙসি শান্নখিদ্রে।

টিম অনিমক্না জুলাই ১৬তা লম্বা তৌনরগনি।

হয়েং টুর্নামেন্ট অসিগী মেটচ অনী শান্নগনি। অহানবা মেটচতা গ্রুপ–দি গী এমৱাইএ লৈকিনথবী অমসুং কেৱাইদিসি কৈকোল অনীনা থেংনরগনি। অদুগা অনীশুবা মেটচতা গ্রুপ–বিগী কোইরেঙ্গৈ অমসুং ১৪ এফসি তেনদোংয়ান অনীনা লম্বা তৌনরগনি

# দিষ্ট্রিক্ট ৬কী সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২৭ঃ

তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলগী ওইবা সব–জুনিয়র নুপামচা চহি ১৪ মখাগী, জুনিয়র নুপামচা অমসুং নুপীমচা চহি ১৭ মখাগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোতো মুখর্জি ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্টশিং অসিগী য়ুথ এফিয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিসনা খঙহল্লক্লি।

সব–জুনিয়র কাংলুপ্তা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিংনা ২০০৫ কী জনুৱারি ১দা পোকপা নত্রগা মতুংদা পোকপা ওইগদবনি অদুগা জুনিয়র কাংলুপকী ওইনা শান্নরোইশিংনা ২০০২ গী জনুৱারি ১ অমদি মদুগী মতুংদা পোকপশিং ওইগদবনি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা জুলাই ১৮দগী ২১ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিন্বগী অরোইবা মতমনা জুলাই ১৪ ওইগনি। ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনসু জুলাই থাগী ময়াই ওইরকপদা পাঙথোক্কনি অদুগা ফোর্ম থাজিলবগী অরোইবা মতমনা জুলাই ৮ ওইগনি। থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জুলাই ২১দগী ২৪ ফাওবা ৱাংজিংদা লৈবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা পাঙথোক্কনি অদুগা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা জুলাই ৮দগী ২০ ফাওবা ককচিংগী দিএফএ গ্রাউন্দা পাঙথোক্কনি। দিষ্ট্রিক্ট অনিমক্কী ওইনা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা জুলাই ১৩ নি। চন্দেল অমসুং তেংনৌপলগী ওইনা জুলাই ১৭তগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কনি। অদুগা ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতমনা জুলাই ১২ ওইগনি।

## LEAQUE ROUND POINT TABLE
### as on June 27 (not including last 2 matches)

**Group A**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Uruguay | 3 | 3 | 0 | 0 | 5 | 0 | 5 | 9 |
| Russia | 3 | 2 | 0 | 1 | 8 | 4 | 4 | 6 |
| Saudi Arabia | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 7 | -5 | 3 |
| Egypt | 3 | 0 | 0 | 3 | 2 | 6 | -4 | 0 |

**Group B**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Spain | 3 | 1 | 2 | 0 | 6 | 5 | 1 | 5 |
| Portugal | 3 | 1 | 2 | 0 | 5 | 4 | 1 | 5 |
| Iran | 3 | 1 | 1 | 1 | 2 | 2 | 0 | 4 |
| Morocco | 3 | 0 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 1 |

**Group C**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| France | 3 | 2 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 7 |
| Denmark | 3 | 1 | 2 | 0 | 2 | 1 | 1 | 5 |
| Peru | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| Australia | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | -3 | 1 |

**Group D**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Croatia | 3 | 3 | 0 | 0 | 7 | 1 | 6 | 9 |
| Argentina | 3 | 1 | 1 | 1 | 3 | 5 | -2 | 4 |
| Nigeria | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 4 | -1 | 3 |
| Iceland | 3 | 0 | 1 | 2 | 2 | 5 | -3 | 1 |

**Group E**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Brazil | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 1 | 2 | 4 |
| Switzerland | 2 | 1 | 1 | 0 | 3 | 2 | 1 | 4 |
| Serbia | 2 | 1 | 0 | 1 | 2 | 2 | 0 | 3 |
| Costa Rica | 2 | 0 | 0 | 2 | 0 | 3 | -3 | 0 |

**Group F**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Sweden | 3 | 2 | 0 | 1 | 5 | 2 | 3 | 6 |
| Mexico | 3 | 2 | 0 | 1 | 3 | 4 | -1 | 6 |
| South Korea | 3 | 1 | 0 | 2 | 3 | 3 | 0 | 3 |
| Germany | 3 | 1 | 0 | 2 | 2 | 4 | -2 | 3 |

**Group G**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Belgium | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 2 | 6 | 6 |
| England | 2 | 2 | 0 | 0 | 8 | 2 | 6 | 6 |
| Tunisia | 2 | 0 | 0 | 2 | 3 | 7 | -4 | 0 |
| Panama | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 9 | -8 | 0 |

**Group H**

| Team | MP | W | D | L | GF | GA | GD | Pts |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| Japan | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | 1 | 4 |
| Senegal | 2 | 1 | 1 | 0 | 4 | 3 | 1 | 4 |
| Colombia | 2 | 1 | 0 | 1 | 4 | 2 | 2 | 3 |
| Poland | 2 | 0 | 0 | 2 | 1 | 5 | -4 | 0 |

**Today's Match**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| Japan | vs | Poland | Volgograd Arena | 7:30 |
| Senegal | vs | Colombia | Samara Arena | 7:30 |
| Panama | vs | Tunisia | Mordovia Arena | 11:30 |
| England | vs | Belgium | Kaliningrad Stadium | 11:30 |







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*